থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# নোরোক ! নৎত্রগা লাইরৈবাক ! কদায়দা লৈসিগে?

চহী খরগী মমাঙদগী খরা, হায়জবগী ৱানি ফনা খুইরবজাৎনি, ঐগী ওজা অমগী য়ুমদা ফক্লাংদা থেৎতুনা থল্লম্বা ৱাহৈ খরা পারুবদগী ঐগী পূক্লিং ৱাখল অনীমকসি ওন্থোকপা লন্বী-লমফাং অমদা লেপ্লকখি। ঙসিসু লেপ্লি। খল্লি, অদুনা ওইবা তাই ঐগী লন্বী অসিগী পন্থুং মীৎতা উদ্রিবা। হংবীনিংব্রা- ৱাহৈশিংদু করিনো?... শেলনা লাইরিক লৈবা ঙন্মী, লৌশিংদুদি লৈ'ঙমদে; শেলনা হীদাক লৈবা ঙন্মী, হকচাং ফৰ'দুদি লৈবা ফংদে; ফজবা ফমুংদুদি লৈবা ফংই, নুংঙাইবদুদি লৈ'ঙমদে; শেলনা ফজবা য়ুমদি শাবা ঙন্মী, নুংঙাইবা ইমুং হায়বদুদি শেন্বা ঙমদে... অসিনচিংবা। শেল তানবা অমদি লৌশিং তানশিনবা- অনী অসি পুন্না চৎপা য়াদবা, মায়কৈ মফাং মফাংবা লন্বী ওইনা উহল্লকই। কনাগুম্বনা হায়, শেলনা ঙমদবা লৈতে, মনি কেন দু ইভরিথিং। ঐহাক্লনি থাজখি, শেলনা তৌবা ঙম্বা য়াম্না লৈ, পুম্নমকপু পুমঙম ঙম্বদুদি নত্তে (মনি কেন দু মেনি থিংস, বট নোৎ ইভরিথিং)।

অর্গুমেন্ট অমদি কাউন্টর অর্গুমেন্ট! লোইবা নাইদবা মরৈ অমা য়েৎনদুনা লাক্লি, মতম কয়াগী মমাঙদগী ঙসিফাও। য়েৎনখিগনি তুংদসু। ঙসিগী থম্মোয় পাউদম- মরৈদুগী শরুক অমা ওইনা ৱাফম খরা পুখৎকে- খঞ্জরুবসু নত্তে। অদুবু, লাক্কদৌরিবা নুমীৎ কুম্বা, নিফুসি (মার্চ তারিখ নিপান'ফাও) মণিপুরদা শেলগী অঙকপা জগোয় মখল অমা উরক্কদৌরিবনিনা শেলগী মতিক, ময়াই, মরমচৎকী মতাংদা ৱারী খরদি শানজনিংলুই তশেংনা। শেল/মনি! মীওইবগী অঙকপা ইনভেন্সন (নৌনা পুথোকপা পোথোক) অমনি। পোৎকা পোৎকা ওন্নবগী খুদোংচাদবা অদু কোক্লবা পান্বৈ অমা পুথোক্লবা হোৎনরকপদা মীওইবগী কোক্তগী থোক্লকপা পোথোকনি শেল। 'শেল'- মশামক্তি মমল য়াওদবা পোৎশক অমা ওইজরগসু, মীওইবনা শীজিন্নবা পোৎশিংগী মরক্তা খ্বাইদই শক্তি লৈবা পোৎ অমনি। শেলগী ৱাহৌদা মচিন-মনাও, মপা-মচা, মরুপ-মপাং কায়নরিবনি, লুপা লীশিং খরখক মুন্নবা মীগী থৱায় লৌরিবনি। ধর্ম্মগী লান (জিহাদ) নৎত্রগা অতোপ্পা লালহৌ কয়াদা মশাগী মথ্বায় কৎ'ঙম্বা 'সহীদ' কয়া থোরক্লিবা, হায়নৈ, লালহৌদুগী মরমদা মশাগী পুন্সি কৎনবা ব্রেন-ৱাস তৌবই মথক্তা, ইমুং-মনুংগী মীওইশিংগী নুংঙাইবা তুংলমচৎ অমগীদমক য়াল্লবা শেনফম অমগা মন্তিক্লে। থম্মোয়গী নুংশিবা, পূক্লিংগী অপাম্বা, অৱাংবা লৌশিং (গ্যান/নোলেজ), নীংতম্বা খুন্নাই... অসিনচিংবা খরসি নত্তনা মীওইবনা হিংবদা চঙবা পোৎলম খুদিংমক শেলনা লৈদুনা নুংঙাইবা পুন্সি অমা লেনবা য়াই হায়বসি ঙসিগী অনৌবা মীরোল (মোদর্ন মেন) অসিগী ৱাখলনি। শেলগী মতিক ময়াই খঙদ্রিঙৈ য়ুম্ফম থোল্লম্বমক্তনি ঙসি মালেমগী মফম কয়াদা হিংমিন্নবগী পুন্সি লীপুন ওইনা পুল্লিবা লাইনিং লন্বী /ধর্ম্ম/রিলিজম। ধর্ম্ম খুদিংমক্না পীবা পাউজেল, শেল অমদি লন-থুম তানশিনবগী মায়োক্তনি। লৌশিং লৈবশিংনা মতম চুপ্পদা হায়দুনা লাকই- হকচাং ফবা লন'নি। ঙসি মতম/মীরোল/চৎনবী অসিদদি হকচাং ফনবা, লৌশিং লৈনবা 'শেল' তঙাইফদবা অমনি। পুন্সিনা শেল দরকার ওই, মরমদি শেল য়াওদনা অফবা চীঞ্জাক চাবা ফংদে, অফবা ফি শেৎপা ফংদে, অফবা য়ুমদা লৈবা ঙমদে। চাবা, শেৎপা, লৈবা-অহুমসিগী মথক্তা ঙসিদি নুংঙাইবা পুন্সি, মিনিংফুল ওইবা পুন্সি অমগীদমক লিটরেচর, আর্ট, ম্যুজিক, পোইত্রি.... তঙাইফদবা ঙাক্তা ওইরক্লে, পুন্সিগী ঙমখৈ পাকথোক চাউথোরক্লে।

ক্লাসিকেল ম্যুজিক্কী মহাও চুপ্পা ঙমদবা মী, অফবা সাহিত্যগী লাইরিক পাদবা মী-মহাক অদো- মীৎ, না, নাকোং, নাতোন অমত্তা ৱাত্তনা পাল্লম্বদি য়াই, অদুবু মহাক শোইনাইরবা মীশক অমগুম্বনি। মহাক লায়রবা মীশক অমনি। ৱাফম অসি মরিং মরাং থোকপরা? য়াবীনিংবা পোক্তবরা? চুম্মী, য়ানিংদবনা য়াম্বনি। অদুবু, অমুক্তং খন্থবীয়ু, ক্লাসিকেল ম্যুজিক খঙনবা, অফবা সাহিত্য পাবা ঙম্নবা কনাগুম্বা অমনা হোৎনরকপা- থৌরেম, ৱারেম নত্তে। লায়র-চুদৎনবা, হাংলবা চাকখাওনা তৌঙমদবা থবক্লি। ৱাখল য়াওদবা, শেল লৈতবা, শুনিংদবা মহাক অদুবু কৌই 'চাক্লিবা'। চাক্লিবা অমত্তনা অফাওবা কলাকার ওইরক্লোই। পিকাসো, দা ভিন্সি, দোস্টোয়বসকি, রবিন্দ্রনাথ, তোলসতোয়, রুসেল, আইনষ্টাইন... মখুৎতা শেল পায়রমদ্রবা, কনানসু মমিং শোন্নরক্লোই।

অদুগা, ধর্ম্মনা শন্দোকই ওন্ন-তৈনা পাউজেল অমা- শেল তানবা পাপনি। যিশুনা হায়, 'উট অমনদি (য়েত্তুম মখুন্দা লীৎতুনা চৎপা ঙমগনি, ইনাক খুনবা অমনদি স্বর্গগী থোঙজিল লান্দুনা চঙ'ঙল্লোই'। মহম্মদ্দনশিংনা হায়, ঈশৈ তাবা অমদি শকপা পাপনি। হিন্দুশিংনা খল্লি, 'নুংঙাই-য়াইফ, অরং-অরাক, ৱাত্ত-পাদবা পুম্নমক পাপকী মশক ঙাক্তনি।'

ঙসিগী মালেমসিদা লৈরিবা মীয়াম অসি, ধর্ম্মনা, কাঙলুপ অনী থোক্লা খায়দোকই- চাদা অনী, ধর্ম্ম লৈতবা অরানবা চৎপা- ইনাক খুনবা মী অমসুং চাদা মরিফুতরানিপান, ধর্ম্ম লৈবা-অচুম্বা তৌবা-লায়র-চুদৎনরবা মীয়াম। মশীং য়াম্বা লায়রবা মরিফুতরানিপান অদুদা লাইগী এজেন্ট, ৱাপাউ শন্দোকপশিং অদুনা মালেমদা ৱানা লৈবগী কন্সোলেসন প্রাইজ অমা পী- শিরবা মতুংদা লাইরৈবাক্কী থোঙজিন্দা, অথিংবা য়াওদ' চঙনবা এন্ট্রি-টিকেট অমা। লাইরেন্বীশিংনা মখোয়বু তরাম্না ওক্কুনা লাউগনি... 'অল্লেলুইআ... ৱেলকম... লেংশিনবীরকসি...' অদুগা, ইনাক খুনবা, মখোয় অনী অদুনা 'মরাল লৈবা...পাপ চেনবা'... মালেমদা নুঙাই য়াইফ খোঙনেৎননা, ৱাৎতা পাদনা লৈরুবগীদমক লাইরৈবাক্তা মফম পীদ্রবা! লাইরৈবাক্তা চঙহল্লোই হায়বগী অকিবা অমা পূক্লিংদুদা পোকহল্লগা, এন্ট্রি টিকেট অদু ফংনবা মমল য়াম্বা খুদোল অমা তৌহল্লি, য়াল্লবা শেনফম দোনেসন ওইনা কৎহল্লি। 'হিংলিঙৈ নুংঙাইনা লৈবগী মহয় ওইনা, শিরবা মতুং লাইরৈবাক্তা চঙহল্লোই, নোরোক্কী কোমদা লংথগনি'... 'সিবু মরম চাবরা? থম্মোয়দুনা য়ানিংবরা?

শেংন'মুক্তা হায়বীয়ু, করম্বনা পাম্বগে- হিংলিঙৈ নোরোক্কুম্বা লায়র'কোমদা লৈরগা শির'মতুং লাইরৈবাক্তা লৈরুবা? নৎত্রগা, হিংলিঙৈ লাইরৈবাক্তা লৈরগা শির'মতুং নোরোক'কোমদা হিংলুবা?



লৌশিং পুক্কে

# হকচাং শোক্লিংঙাই ওইবা কেমিকেলশিং

য়ুমকৈ লু-নান্না থল্লবদি মহীক মতাই চেন্দবা মরম্না লায়না কয়াদগী ঙাকথোকপা ঙন্মী। অদুবু কা মনুং, ইমুংগী লৈমায় অমদি য়ুমগী অকোয়বা শীৎ-শেংবদা শীজিন্নরিবা পোৎলমশিংদা য়াওবা কেমিকেল কয়ামরুম্না হকচাং শোকহল্লি হায়বা খঙলে।

বার্সেলোনাদা লৈবা সেন্টর ফোর রিছার্চ ইন ইনভাইরনমেন্টেল ইপিদমিওলোজিগী জেন-পোল জোকনা হায়খি, ইমুং লু-নান্না থম্নবা হোৎনবদা শীজিন্নরিবা ক্লিনিং স্প্রে, ক্লোরিন, ব্লিচিং পাওদর, দিসইনফেক্টেন্ট অমদি অতৈ ক্লিনিং এজেন্টশিংনা মীওইবদা অজমাগী রিস্কু হেনগৎহল্লি।

লন্দনদা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা য়ুরোপিয়ন এলর্জি কনফরেন্স অমদা ৱা ঙাঙখিবদা মহাক্না হায়খি, হোস্পিটাল অমদি অতৈ মফম কয়াবু শীৎ-শেংবগী থবক তৌরিবা প্রোফেসনেল ক্লিনরশিংসু ক্লোরিন, ব্লিচিং পাওদর, দিসইনফেক্টেন্ট হোঞ্জিনবদা ব্লিচিং পাওদর, এমোনিয়া, দিকেলসিফাইয়র, এসিদ, সোলভেন্ট অমদি ষ্টেন রিমুভর য়াওখিবনা অজমাগী রিস্ক চাদা ২০ লোম হেনগৎহল্লি হায়না অখঙ-অহৈশিংনা ফোঙদোকখি। জেন-পোল জোকনা হায়খি, ইমুং লু-নালহন্নবা পোৎলম তোয়না শীজিন্নরিবা মীওই খুদিংমক অজমাগী রিস্ক ৱাংবা মরম্না হীরম অসিগী মতাংদা অখন্নবা থৌরাং অমা লৌখৎপা মথৌ তারে।

মীওইবনা ফিরোল শুবদা শীজিন্নরিবা ফিশু সাপোন, অমোৎপা কোকহন্নবগীদমক শীজিন্নরিবা ষ্টেন রিমুভর, ৱাই তৈবদা শীজিন্নরিবা পোৎলম, মহীক-মতাই হাৎপদা শীজিন্নরিবা পেষ্টিসাইদ অমসুং রুম স্প্রেনচিংবা পোৎলমশিংনা ইমুং খুদিংমক অপীকপা কেমিকেল ফেক্টরি অমগা মান্নহল্লে। ঐখোয়না নুমীৎ খুদিংগী শীজিন্নরিবা পোৎলমশিংদা হকচাং শোক্লিংঙাই ওইবা কেমিকেল কয়ামরুম য়াওইহায়বা মীওই অয়াম্বনা অমদি অতৈ ক্লিনিং এজেন্টশিং তোয়না শীজিন্নবা মরম্না অজমা নারকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংনা লৈ।



ক্যেরটেক্কর, ক্লিনর, হাওসকীপর অমদি নর্সশিং অজমা নারকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংই হায়বা মমাঙদা পাঙথোকখিবা ষ্টদি খরদগী খঙবা ঙমখ্রবনি। চয়োল অমগী মনুংদা অমুক্তং ওইরবসু নিংশা শ্বর খঙনদে। ইমুংবু লু-নান্না থম্নবা শীজিন্নরিবা হাউসহোল্দ ক্লিনর, ইংখোলগী তীল-কাঙ হাৎপদা শীজিন্নরিবা পেষ্টিসাইদ, ফি শুবদা শীজিন্নরিবা ফিশু-সাপোন, হয়িং হাৎনবা পোৎলম অমদি বেক্টেরিনচিংবা পোৎলম কয়ানা মীওইবগী হকশেল অমদি ইনভাইরনমেন্টতা চাউনা অকায়বা থোকহল্লি।



ফি শুবদা শীজি-ন্নরিবা ফিশু সাপোন অমদি পাওদরদা য়াওবা ফোসফেটনা পুখ্রি, পাৎ অমসুং তুরেলদা তীনখ্রগা ঈশিং মনুংগী থৱায় পানবা কয়া শিহল্লি। মরুওইবা ঙা কয়া হকচাং শোকহল্লি। হায়রিবা ঙা অদু চারুবা মীওই কয়াবুসু লায়না-তীলনা কয়া পোকহল্লকই। খুদোংথীনিংঙাই ওইবা থৌওং অসি খঙনরকপদগী চাউখৎখ্রবা লৈবাক খরদা ফোসফেট য়াওবা পোৎলমশিং শীজিন্নখিদ্রে। অদুবু চাউখৎপগী মমি শাল্লিবা অমসুং চাউখৎলক্লিবা লৈবাক অয়াম্বদা ফোইফেট অমদি অতৈ হকচাং শোক্লিংঙাই ওইবা কেমিকেলশিং য়াওবা পোৎলম কয়া শীজিন্নরি। মদুনা মরম ওইরগা অকোয়বগী ঈশিং-নুংশিৎ মোৎহনবগা লোয়ননা মীওইবদা এলর্জি, কেন্সর, সাইকোলোজিকেল এবনোর্মেলিটি, স্কিন ইরিটেসন, কোক চীকপা, ৱাখল নুংঙাইতবা, তাঙ নাবা, হকচাং চোকথবা, থবাক নাবা, তূম্বা য়াদবা অমদি অজমানচিংবা খুদোংচাদবশিং মায়োক্লহল্লকপা য়াই। থবক তৌবী, ওফিস কাবী নুপীশিংগা য়েংনবদা ইমুংগী থবক ইনখাং শুদুনা লৈবা য়ুমগী মৌনা কেন্সর নারকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংই। মসিগী মরুওইবা মরমদি ইমুংদা নুমীৎ খুদিংগী শীজিন্নরিবা পোৎলমশিংনা ওইহল্লকপনি। চহী খুদিংগী মীওই লিশিং কয়া ইমুংদা শীজিন্নরিবাা পোৎলমশিংনা পোইজনিং তৌবগী রিপোর্ট লৈরি। খুদম ওইনা হায়রবদা কোল-লীক ফেংনবা দিশৱাশিং দিটর্জেন্ট, লুপৌ ফহন্নবা এন্টি-দেনদ্রফ শেম্পু অমদি ফিশু-ফিজামদা শীজিন্নরিবা দিটর্জেন্ট সোপ অমদি পাওদর পুম্নমক হকচাং শোক্লিংঙাই ওইবা কেমিকেল-শিংনা য়োল্লগা শেল্লকপনি।

তীল-কাঙ হাৎনবা বগ-স্প্রেশিংনা নুংশিৎতা চহী ৩০ হেন্না তীন্দুনা লৈবা মরম্না ইমুংদা লৈরিবা মীওই খুদিংমক্তা খুদোংথীবা থোকহল্লকপা য়াই। ফি শুবা, কোল লীক ফেংবা, ৱাই তৈবা অমদি টোইলেট শেংবদা শীজিন্নরিবা পোৎলমশিংনা ইমুংগী মীওই কয়া অরুবা লায়নানা নাহল্লকপা য়াই হায়রি। হায়রিবা পোৎলমশিং অদুদা য়াওবা অলকালি, এসিদ, দিটর্জেন্ট অমসুং হকচাং শোক্লিংঙাই ওইবা কেমিকেলশিংনা খুদোংথীবা কয়ামরুম থোকহল্লকপা য়াই।

ঐখোয়না নুমীৎ খুদিংগী ৱাই তৈবা, ফি শুবা অমদি কোন ফেংবদা শীজিন্নরিবা পোৎলমশিংনা ইৱা-ৱাদবা মওংদা থবক তৌবা ঙমহল্লে হায়বা তারবসু হায়রিবা পোৎলমশিং অদুদা য়াওবা হকচাং শোক্লিংঙাই ওইবা কেমিকেলশিংনা মীওইবগী হকশেল অচৌবা চৈথেং অমা পীরি। মরম অদুনা মীওইবগী হকশেল অমদি অকোয়বগী ঈশিং-নুংশিৎতা অকায়বা থোকল্লোইদবা পোৎলম ঙাক্তা শীজিন্নবা মতম ওইরে।

# মোরেদা য়েন লোইবগী ট্রেনিং কেম্প পাঙথোকখ্রে




ইম্ফাল, জান্যুৱারী ২৮ (ঐচএন এস): সেন্টর ফোর ৱিমেন এন্দ গার্লস অমদি সেন্ট্রেল এগ্রিকল্চরেল য়ুনিভর্সিটি (সী এ ও) গী দিপার্টমেন্ট ওফ এনিমেল সাইন্সনা খুৎশম্নুনা শীন্দুনা ঙসি ঙামখাই বেঙ্ক, মোরে কম্যুনিটি হোলদা য়েন লোইবগী কেম্প অমদি ফ্রি ভেক্সিনেসন কেম্প পাঙথোকখ্রে।

এন ঈ আর সী ও এম পি-থ্রী চান্দেলনা স্পোন্সর তৌদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা সী এ য়ুগী দিপার্টমেন্ট ওফ এনিমেল সাইন্সকী হেদ টি ঐচ রনধিরনা হায়খি, পোল্ট্রি ফার্মিং অসি মীয়ামগীদমক য়াম্না কান্নবা মতম চঙদবা, নুপী-অঙাংশিংনা তৌবা য়াবা থবক অমনি। শা-য়েন য়োকপা অসি য়াম্না কান্নে। মণিপুরদা চাদা ৯৯ দি শা-য়েন চাবা ওই। পোল্ট্রি ফার্মিং তৌরগদি শেন্মীৎলোন্দা কান্নগনি। অতেনবা মতমদা লায়না চাউখৎপা নুংঙাইবা পুরকপা ঙমগনি।

থবক তৌবা মতমদা মতম খরা তৌরম্লগা লেপ্পা অমসুং তোকপা তারগদি কান্নবা করিসু ফংলোই। শা-য়েন য়োকপা মতমদা য়াম্না লু-নান্না য়োকপা অমসুং হীদাক কাপথোকপা মথৌ তাই। মদু নৎত্রবদি নাবা য়েকপা য়াওরক্কনি। য়েন য়োকপা তারবদি থা অনী অহুমগী মনুংদা কান্নবা ফংবা হৌরক্কনি। এগ্রিকলচরগী থবক লৌ উবদা শেল য়াম্না লেম্বা ঙমদে। মসিনা ইমুং-মনুংগী লাইরিক তম্বা অমসুং অনা-অয়েক য়াওরকপদা অৱাবা মায়োক্লে। ঘীরি রাজা হায়রিবা য়েন মখল অসি মণিপুরগী ঈশিং-নুংশিৎকী ফীভমগসু চান্নবা অমসুং অনা-অয়েক য়াম্না তোয়না থোক্কদবা ওইবনা য়োকপা মতমদা শেন্থোক লন্বীদা য়াম্না কান্নবা ওই। থুনা চাউখৎপা পুরকপা ঙন্মী হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা সী এ ও, ইম্ফালগী ডা. কে ঐচ রাজবিহারী, জুনিয়র রিছার্স ফেল্লো ডা. জোন, সী এ ওগী দিপার্টমেন্ট ওফ এনিমেল সাইন্সকী এফ এ ফুলচান্দ, সেন্টর ফোর ৱিমেন এন্দ গার্লসকী সেক্রেটরি হেচিন হাওকিপ, ভেটরান জর্নেলিষ্ট লৈহাওথাবম শরতচন্দ্রসু ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা রিছোর্স পার্সন ওইনা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি।

ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা য়াওবা ফার্মরশিংনা য়েন করম্না লোইগনি অমসুং নারকপা মতমদা করম্না ঙাকথোক্কদগে হায়বগী মতাংদা সী এ ও, ইম্ফালগী দিপার্টমেন্ট ওফ এনিমেল সাইন্সকী হেদ টি ঐচ রনধিরগা ফার্মরশিংগা দিস্কসন প্রোগ্রাম অমসু পাঙথোকখি। ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা য়াওবা ফার্মর কয়ানা ঙসিগী থাগৎপা ফোঙদোক্লখি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

# থাগী চেফোংগ ফোংখ্রে

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ২৮ (ঐচএন এস): ৱিমেন এগেনষ্ট ক্রাইমনা থা খুদিংগী ফোঙবা চেফোঙ ৱিমেন এন্দ ক্রাইম হন্দক থাগী ওইনা ঙসি জি পি ৱিমেন কোলেজদা ফোঙখ্রে।

ৱিমেন এগেনষ্ট ক্রাইমগী এদভাইজর অমদি সেক্রেটরিনা পুন্না খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ওর্গনাইজেসন অসিগী এদভাইজরশিংনা লমদমসিদা নোংমা কাংদনা থোক্লিবা নুপীগী ওইবা ক্রাইমশিংগী মরমদা খন্ন-নৈনখি। লৈশাবীশিংগী মাঙথরক্লিবা লমচৎ, অঙাং ওইনা অমদি শেন্থোক লৈতনা য়ুম পাল্লুবদগী নুপীশিংনা অৱাবা মায়োক্লবা অমদি থৌদোক কয়া থোক্লিবগী মতাংদসু খন্নখি। নুপী অমা ওইনা ৱাখল তাদবা নুপানা খুদোংচাবা লৌবা ঙমদনবা মশানা ক্রাইম থোকহন্দনবা চেকশিনসি। মহৈ-মশিন তমদুনা মতিক চাবা নুপী অমমম ওইনবা হোৎনসি হায়নসু এদভাইজরশিংনা ফোঙদোকখি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# লৌমী লূপকী মীফম ফমখ্রে

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ২৮ (ঐচএন এস): মণিপুর লৌমী লূপকী ষ্টেট কাউন্সীল মীফম অমা ঙসি ইরাবত ভবন ইম্ফালদা ফমখ্রে।

মণিপুর লৌমী লূপকী জেনরেল সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মণিপুর লৌমী লূপকী ষ্টেট ইগজিক্যুটিব কাউন্সীল মীটিংনা চহী ৩ গী থৌ পুনবা কাউন্সীল মেম্বর ৬৩ গী মনুংদগী ইগজিক্যুটিব মেম্বরশিং খনখ্রে। ওফিস বিয়াররশিংসু খনখ্রে। ওফিস বিয়াররশিংদি প্রসিদেন্টতা এন সিংহাজিৎ, ৱার্কিং প্রসিদেন্টতা এস নিলকোমোল, ভাইস প্রসিদেন্টতা রাজমোহোন, টি ঐচ অঙৌ, ধনঞ্জোয় থিঙোম্বনি। জেনরেল সেক্রেটরিদা ঐচ ইবোবী, জোইন্ট সেক্রেটরি (এদমিনিষ্ট্রেসন) দা লিলান্দো, জোইন্ট সেক্রেটরি (ওর্গনাইজেসন) দা এ পুনিলকুমার, জোইন্ট সেক্রেটরি (পব্লিসিটি) দা এ দেবনাথ অমদি জোইন্ট সেক্রেটরি (ফাইনান্স) তা এন নিমাইনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# লীগেল এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ২৮ (ঐচএন এস): ইরেংবম খোরিফাবা য়ুথ ক্লবকী গ্রাউন্দদা নোংমগী ওইবা লীগেল এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম ঙরাং পাঙথোকখ্রে।

ইরেংবম খোরিফাবা য়ুথ ক্লবকী প্রসিদেন্টনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, নোংমগী ওইবা লীগেল এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অদুদা এল ইবোচৌবনা প্রসিদেন্ট, বাবু, ঙাংঙোম রাশিনি অমদি মৈপাকনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা ফমখি। রিছোর্সপার্সন ওইনা এদভোকেটৱাহেংবম লাতা, ওট কম্মিস্নার, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট, এদভোকেট থোকচোম হেমচান্দনা রিছোর্স পার্সন ওইনা ৱা ঙাঙখি।

এদভোকেট দব্লিয়ু লাতানা ক্রাইম এগেনষ্ট ৱিমেনগী মতাংদা ৱা ঙাঙখি। এদভোকেট টি ঐচ হেমচান্দনা নেসনল ফূদ সেক্যুরিটি এক্টকী মরমদা ৱা ঙাঙখি। অহল-লমন, নুপী-অঙাং, মহৈরোয় অমদি ক্লবকী মেম্বর ১০০ রোম্না নোংমগী ওইবা লীগেল এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অদুদা শরুক য়াখি। ইরেংবম খোরিফাবা য়ুথ ক্লবকী গ্রাউন্দদা পাঙথোকখিবা নোংমগী ওইবা লীগেল এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অদুদা রিছোর্স পার্সন কয়ানা ৱা ঙাঙখি।

# দব্লিয়ু বি সী সীনা তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ২৮ (ঐচএন এস): ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) গী ৱার্কর ওইরম্বদগী তোক্লক্লগা কোংগ্রেস পার্টিদা য়াওরকখ্রবা মীওই ৫৫ ঙসি ৱাংখৈ ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিনা তরাম্না ওকখ্রে।

ৱাংখৈ এসেমব্লী কনষ্টিট্যুএন্সিগী মনুং চন্না লৈরিবা ৱার্দ নম্বর ২২ গী ব্লোক কোংগ্রেস ওফিসতা পাঙথোকখিবা তরাম্না ওকপগী থৌরম অদুদা ৱাংখৈ ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট লানসিঙ্গা দাইমৈনা হায়খি, বি জে পিগী ৱার্কর ওইরম্বা মীওই কয়ানা ঙসি কোংগ্রেস পার্টিদা য়াওরকপা অসি তরাম্না ওকই। মীওইশিং অসিনা কোংগ্রেস পার্টিদা চঙলকপা অসিনা পার্টি অসিবু হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহল্লগনি হায়না লৌই। নৌনা কোংগ্রেসতা য়াওরক্লবশিংনসু ঐখোয় অমত্তনি হায়বা ৱাখল্লোন্দা থবক তৌমিন্নদুনা শোথনা লৈরিবা ৱাংখৈ এ সী অসি হেন্না চাউখৎহন্ননবা হোৎনমিন্নসি। কোংগ্রেসতা তপ্না তপ্না মীওই কয়া য়াওরকপা অসিনা পার্টি অসি শোয়দনমক্কী মায় পাকপা ওইহল্লগনি থাজে।

# পি আর জে এ পার্টিগী মীহুৎশিংগা গভর্ণরগা উনখ্রে

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ২৮ (ঐচএন এস): পি আর জে এ পার্টিগী লুচিংবা ইরোম শর্মিলা চনু, নাজিমা বেবি অমদি জেমস ময়েংবমনা ঙসি মণিপুরগী গভর্ণর ডা. নজমা হেপ্তুলাগা উনখ্রে।

ঙসি মণিপুরগী গভর্ণরগা পি আর জে এ পার্টিগী লুচিংবশিংগা উনখিবা অদুদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা ইস্যু কয়াগী মতাংদা খন্ন-নৈনখি। অফস্পা, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি কেম্পসতা মিলিটরি কেম্প লৈবা, ৱিমেন ইম্পৱারমেন্ট, পোলিটিক্সতা নুপীগী থৌদাংনচিংবগী মতাংদসু খন্ন-নৈনখি। উনবা অদুদা য়াওখিবা পি আর জে এ পার্টিগী নাজিমা বেবিনসু মুস্লিম ৱিমেন কেন্দিদেট অমা ওইনা এসেমব্লী মীখলদা থেংননবা থৌরাং তৌরিবা অসিদা থেংনরিবা হীরম কয়াগী মতাংদসু ৱারী শাখি। ইরোম শর্মিলাগী মায়কৈদগী মণিপুরগী গভর্ণরদা অফস্পা রিপিল তৌনবগীদমক সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টতা তকশিনবীনবসু খঙহনখি।

তুংদা পি আর জে এনা প্রেস কনফরেন্স অমা তৌদুনা গভর্ণরগা উনবা অমসুং পার্টি অসিগী ওইবা হীরম কয়াগী মতাংদা ৱা ঙাঙখি। পার্টি অসিগী কেন্দিদেট অমদি ইগজিক্যুটিব মেম্বরগী চাদা ৪০ দি নুপীশিংনি। ইরোম শর্মিলা চনু মশামক চীফ মিনিষ্টরগী কনষ্টিট্যুএন্সি ওইরিবা থৌবালদা মীখল থেংননবা শেম-শারি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

# খন্ন-নৈনবা মীফম পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ২৮ : মণিপুরদা পেসেঞ্জর সার্ভিস তৌরিবা ওটোরিক্সো অমদি লাইট ভেহিকলশিংনা দিজল ফংদবগী অৱাবা মায়োক্লরিবা অসিগী মতাংদা খন্ন-নৈনবা মীফম অমা হয়েং নুংথিল পুং ১ তাবদা ইরাবত ভবন রূপমহল টেঙ্কতা পাঙথোক্লগনি হায়না জোইন্ট এদমিনিষ্ট্রেটিব কাউন্সীলগী কনভিনর এল সোমোরেন্দ্রোনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। ওটোরিক্সো অমদি লাইট ভেহিকলগী সোসাইটিশিংগী প্রসিদেন্ট, সেক্রেটরিশিং মতম চানা লাক্তুনা শরুক য়াবীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# থাঙ-তা ফেষ্টিবেল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ২৮ : ইষ্টর্ন থাঙ-তা ওর্গনাইজেসন, তাংখমনা শীন্দুনা চহীসিগী ফেব্রুৱারি ৮ দগী ১২ ফাওবা নুমীৎ ৫ নিগী ওইবা ফেষ্টিবেল ওফ থাঙ-তা আর্ট তাংখম কালিকা লাইরেম্বী হরাওবুংদা পাঙথোক্লগনি হায়না ইষ্টর্ন থাঙ-তা ওর্গনাইজেসন তাংখম, ইম্ফাল ইষ্টকী সেক্রেটরি এন জিবন মঙাঙনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। মিনিষ্ট্রি ওফ কলচরগী মখাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ফেষ্টিবেল অসিদা থাঙ-তাগী শিন্দমশঙ কয়াদগী লাকপা আর্টিষ্টশিংনা থাঙ-তাগী মশান্না কয়াগী কুম্মৈশিং উৎতুনা ফেষ্টিবেল অসি পাঙথোক্কনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# আর্মি রিক্রুটমেন্ট রেল্লি পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ২৮ (ঐচএন এস): ভগৎ ষ্টেদিয়ম, রঙ্গপহার, দিমাপুরদা চহীসিগী মার্চ ৫ দগী ৭ ফাওবা আর্মি রিক্রুটমেন্ট রেল্লি পাঙথোক্কনি হায়না পি আই বি দিফেন্স, ইম্ফালনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, সোলজর জেনরেল দ্যুটি, নাগা, কুকি, হিলস ট্রাইব অমদি ইন্দিয়ন গোর্খাশিংনা রেল্লি অসিদা শরুক য়াবা য়াগনি। সোলজর জেনরেল দ্যুটি মেল কেন্দিদেটকী রিক্রুটমেন্ট অসি নাগালেন্দ অমদি মণিপুরগী নহাখক্তগী ওইবা রেল্লিনি। রেল্লি অসিদা নাগা, কুকি, হিলস ট্রাইব অমদি ইন্দিয়ন গোর্খা নত্তবা কেন্দিদেট-শিংদি য়াওবা য়ারোই। শরুক য়াগদবা কেন্দিদেটশিংনা রেল্লি নুমীৎকী অয়ুক পুং ৪ তাবদা থুংগদবনি। রিক্রুটমেন্ট রেল্লিগী এদমিট কার্দতা পীরিবা মতম অদু ঙাক্না চৎকদবনি। কেন্দিদেট অমনা রেল্লি অসিগীদমক এপ্লাই তৌবদা অনীরক তৌরবদি এপ্লিকেসন অমদি কেন্সেল তৌগনি। থা অসিগী ২৫ দগী ফেব্রুৱারি ২৪ ফাওবদা ওনলাইন এপ্লিকেসন থাবা য়াগনি। কেন্দিদেটশিংগী এদমিট কার্দশিং অমদি মখোয়গী ইমেল আইদিদা ফংবা য়াগনি। এদমিট কার্দ য়াওদবা কেন্দিদেটশিং রেল্লিদা য়াওবা য়ারোই। কেটাগোরি খুদিংমক্কী ওইনা রিট্টন ইগজাম চহীসিগী এপ্রিল ৩০ দা এ পি এস শিল্লোংদা পাঙথোক্কনি। অকুপ্পা মরোল এ আর ও রঙ্গপহারদগী খঙবা য়াগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# দোন্নর তরুক্না ঈ পীবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, জান্যুৱারী ২৮ (ঐচএন এস): ওল ইন্দিয়া ইনষ্টিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্স (এইমস) তা লায়েংদুনা লৈরিবা পিপল ফোর এনিমেলগী চ্যেরমেন অকোইজম প্রেমগী ঈ মথৌ তারকপদগী সোসল ৱারিয়র মণিপুর, দিল্লি য়ুনিটনা শীন্দুনা নন-মণিপুরী মরি য়াওনা দোন্নর তরুক্না ঈ পীবগী থৌরম অমা ঙসি এইমসতা পাঙথোকখ্রে।

ঙসিগী থৌরম অদুদা ঈ পীখিবা দোন্নরশিং অদুদি, দিল্লিদগী অখিল যাদব আনন্দ, বিকাস কুমার যাদব, জোগেন্দ্র, কানিশ গুরুং, থৌবালদগী রমানন্দ শর্ম্মা অমসুং ককচীংদগী ময়াংলম্বম রাজকুমারনি।

ঈ পীগনি হায়না লাকখিবা দিল্লিদগী রজিব পোদারদি মশাগী অনাবা অমা লৈরম্বদগী অথিংবা লৈদুনা ব্লদ দোনেট তৌবা য়াখিদ্রে। মমল নাইদ্রবা ঈগী মতেং পাংবীরক্তুনা মরুওইরবা পুন্সি কনবদা শরুক য়াবগীদমক থাগৎপসু ফোঙদোরক্লি। দিল্লিদা লায়েংলিবা লমদম অসিগী মীওইশিংনা ঈগী মথৌ তারকপদা সোসল ৱারিয়র মণিপুরদা পাউ পীবীরকউ। অঙম্বা মতেং পাংগনি হায়না ওর্গনাইজেসন অসিগী কনভিনর কামিনিকুমার কৈশামনা ফোঙদোরক্লি।

# সী আই এস এফনা বেষ্ট মার্চিং কন্টিঞ্জেন্ট এৱার্দ ফংখ্রে

ন্যু দিল্লি, জান্যুৱারী ২৮ : ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখিবা চহী অসিগী রিপব্লিক দেগী থৌরমদা পেরামিলিটরি ফোর্স অমসুং অতৈ ওক্সিলারি মার্চিং কন্টিঞ্জেন্টশিংগী মরক্তা সেন্ট্রেল ইন্দষ্ট্রিএল সেক্যুরিটি ফোর্স (সী আই এস এফ) না বেষ্ট মার্চিং কন্টিঞ্জেন্টকী মনা ফংখ্রে।

সী আই এস এফনা রিপব্লিক দেগী থৌরমদা মনা অসি ফংবা হন্দক্লা মঙারকশুবনি। কুমজা ২০০৭, ২০০৮, ২০১৩ অমসুং ২০১৫ দসু পেরামিলিটরি ফোর্স অসিনা বেষ্ট মার্চিং কন্টিঞ্জেন্টকী মনা ফংবা লৈখ্রবনি। সী আই এস এফকী দিরেক্টর জেনরেল ও পি সিংহনা রিপব্লিক দেগী থৌরমদা শরুক য়াখিবা ফোর্স অসিগী কন্টিঞ্জেন্টপু থাগৎপা ফোঙদোক-খিবগা লোয়ননা মতুং তারকপদসু হেন্না ৱাংবা মনা কয়া ফংলকখিগনি হায়না থাজবা ফোঙদোকখি।

চহী অসিগী ওইনা এসিষ্টেন্ট কম্যান্দেন্ট প্রাভ শিমরন গ্রেৱালনা লুচিংবা সী আই এস এফকী কন্টিঞ্জেন্টতা ওফিসর অমদি জৱান ১৪৮ য়াওখি। নুপী ওফিসর ৩ সু য়াওখি।